HUEIYEN LANPAO

# লাক্লিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন ট্রোফিগী য়েংলগা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমগী কেম্প চথবা হৌখ্রে

## কেম্প অসিদা মণিপুরগী নুপী হোকি প্লেয়র অহুম য়াওরে



ভোপাল, সেপ্টেম্বর ১৮ :

চহী ৩৬ কী মতুংদা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াখ্রবা মতুং লাক্কদৌরিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী য়েংলগা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমগী কেম্প অমা ঙসিদগী ভোপালদা চথবা হৌখ্রে।

হায়রিবা নেসনেল হোকি কেম্প অসিদা য়াওননবগীদমক প্লেয়র ২৯ গী প্রোবেবল লিষ্ট অমা থোকখিবগা লোয়ননা লিষ্ট অদুদা মণিপুরগী হোকি প্লেয়র দিফেন্দর সুশিলা চনু পুখ্রম্বম, মিদফিল্ডর লিলি চনু ময়েংবম অমদি ফোরৱার্দ অনুরাধা দেবী থোকচোম য়াওখ্রে।

সুশিলা চনু পুখ্রম্বমদি রিও ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমগী কেপ্টেন ওইখিবনি। অদুগা অনুরাধা দেবী থোকচোমসু ইন্দিয়ন টিমদা য়াওদুনা রিওদা শরুক য়াখিবনি।

ইন্দিয়ন প্লেয়রশিং অসি চয়োল অহুম চূপ্পা ব্রেক লৌরুরবা মতুং কেম্পতা হল্লকখিবনি। লাক্লিবা ওক্টোবর ২৯ দা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী মাঙওইননা নুপী প্লেয়রশিংগী হৈথোই-শিংথোইবা অদু হেঙ্গৎহন্নবগীদমক কেম্প অসি চথবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুরবা মতুং নভেম্বর থাদা ওষ্ট্রেলিয়াদা অমুক টূর চৎকনি।

ইন্দিয়ন টিমদা রিও ওলেম্পিক্সকী টিমদগী লৌথোকখিবী রিতু রাণিসু প্রোবেবল প্লেয়র ২৯ গী মনুংদা য়াওরবসু মহাক কেম্পতা শরুক য়াগদ্রা নৎত্রগা য়ারোইদ্রা হায়বদু তংদাংবা খঙদ্রি। মহাকপু রিও ওলেম্পিক্সকী টিমদা য়াওহনখিদ্রবা মতুং মণিপুরগী সুশিলা চনুবু ইন্দিয়ন টিমগী কেপ্টেন ওইনা হাপখিবনি।

চীফ কোচ নেল হাওগূদনা হায়খি, ওলেম্পিক হায়বসি প্লেয়রশিংগীদি এক্সপোজ তৌবগী খ্বাইদগী চাউবা অদুগুম্বা টুর্ণামেন্ট অমনি। প্লেয়রশিংনা করম্না হায়েষ্ট লেভেলদা শান্নগদগে অমদি লীগতা মতৌ করম্না খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমগদগে হায়বদু খঙখ্রে অমদি থবক ওইনসু উৎখ্রে। ঐখোয়সু মদুগী পরাশিং অদু তমশিল্লে অমদি ঐখোয়গী হৌজিক লৈরিবা হৈথোই-শিংথোইবা অমদি পাঙ্গল হেন্না কলহন্ননবগীদমক কেম্প অসি চথবনি। নুপীমচাশিং অসি চয়োল অহুম পোত্থারুবনা কেম্পতা হল্লকপদা অফবা হোকি প্লেশিং শান্নরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

রিওগী টিমদা খত্তোক্তুনা লৈহৌখ্রবী রিতু রাণিনা হায়খি, ঐহাকপু রিওগীদমক্তা ইরাল শীরগা লৌথোকখিবা অদু য়াম্না পেনখিদে। ঐ কেম্পকীদমক্তা নৌনা খল্লক্লিবা অসিদা য়াওগদ্রা য়াওরোইদ্রা হায়বা তম্বা ঙমদে। মসিগীদমক হৌজিক ৱারেপ লৌবসু লৈতে। অদুবু তুংদা করি লাকপগে হায়বদুদি য়েংবা তাই।

পনবা য়াই, রিতু রাণি হৌখিবা ওগষ্ট ১৮ দা মহাক্কী নুংশিনবা নুপাগা পুন্সি লৈপুন শেমখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী প্রোবেবল প্লেয়র ২৯ অদুদি গোলকিপরদা রাজানি ইটিমার্পু, সাভিতা অমদি সোনাল মিঞ্জনি। দিফেন্দরদা দীপ গ্রেস ইক্কা, দীপিকা, সুনিতা লাক্রা, ***সুশিলা চনু পুখ্রম্বম,*** হনিয়ালুম লাল রাওট ফেলি, নামিতা টোপ্পো অমদি রুকমনি দোদরেনি। মিদফিল্ডরদা রিতু রাণি, লিলিমা মিঞ্জ, নাভজোট কোর, মোনিকা, রেনুকা যাদভ, ***লিলি চনু ময়েংবম,*** নিক্কি প্রধান, নরিন্দর কোর, লালহলুনমাৱি অমদি নভদীপ কোরনি। ফোরৱার্দতা রাণি, পূনম রাণি, ভন্দানা কাতারিয়া, ***অনুরাধা দেবী থোকচোম,*** প্রীটি দুবে, সোনিকা, অনুপা বার্লা, জয়োটি গুপ্ত অমদি পুনম বার্লানি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা চহী ৩৬ কী মতুংদা অহানবা ওইনা রিও ওলেম্পিক গেমসদা শরুক য়াখি। মদুদা ইন্দিয়ানা নুপী হোকি টিমনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমদনা লৈহৌখি। ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা ফংখিবা মেচশিং মায়থীদুনা য়াম্না শোন্না লৈহৌখিবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপা টিমনা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবনি।

# ইন্টরনেসনেল টেনিস হোল ওফ ফেমগী লমজেলদা টেনিস প্লেয়রশিংনা অকনবা লম্বা তৌনরি





ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১৮ : হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান বেলজিয়মগী কিম ক্লিজর্ষ্টস অমদি অমেরিকাগী এন্দি রোদিখনা ইন্টরনেসনেল টেনিস হোল ওফ ফেমদা য়াওবা ঙম্নবগী লমজেলদা মাঙজিল থারি।

পাউগী সোর্সশিংগী মতুং ইন্না কিম ক্লিজর্ষ্টসনা শান্নরিঙৈ কেরিয়রদা গ্রান্দ স্লাম মরি য়াওনা অপুনবা সিঙ্গলস টাইটল ৪১ লৌখি অমদি ফেদ কপতা মহাক্না বেলজিয়মবু অহানবা ওইনা কুমজা ২০০১ দা টাইটল লৌহনখিবদা চাউনা মতেং পাংখি। মহাক্না কুমজা ২০০৬ তা বেলজিয়মবু অমুক হন্না ফাইনেল ফাওবা পুশিনখি। ক্লিজর্ষ্টসনা ফ্রেঞ্চ ওপন অমদি ৱিমল্লেদনদা দবলসকী টাইটল লৌখিবদা নত্তনা চয়োল ১৯ চূপ্পা মালেমগী মকোক থোংবা মফমসু কল্লমখি।

ক্লিজর্ষ্টসনা অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৭ তা টেনিস মশান্নদগী পোত্থারুরবা মতুং কুমজা ২০০৯ দা অমুক হল্লক্তুনা চহী অদুগী য়ু এস ওপনদা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ওইনা শরুক য়াখিদুনা টাইটল লৌখি।

অমরোমদা বিগ সার্ভিং অমা ওইনা খঙনরিবা রোদিখনা চয়োল ১৩ চূপ্পা মালেমগী মকোক থোংবা মফম কল্লমখি অমদি স্পেনগী জ্বান কালোর্স ফেরেরোবু মায়থীবা পীদুনা কুমজা ২০০৩ দা মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ওইনা য়ু এস ওপনগী টাইটল ওইখি।

ৱিমল্লেদনগী অহুল্লক রন্নর-অপ ওইখ্রবা রোদিখনা মহাক্কী কেরিয়রদা অপুনবা সিঙ্গলস টাইটল ৩২ লৌখি অমদি য়ু এস দেভিস কপ টিমগী মরু ওইবা মেম্বর অসিনা কুমজা ২০০৭ তা রসিয়াবু মায়থীবা পীখিবদা মহাক্না চাউনা মতেং পাংখি।

টেনিস হোল ওফ ফেমদা নোমিনেট তৌখ্রবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি পরালিম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট মোনিখ কাল্কমান, জর্নেলিষ্ট ষ্টেভ ফ্লিঙ্ক অমদি লৈখিদ্রবা টেনিস ইন্সট্রক্টর ভিকব্রাদেননি।

# শট্লর সৌরভনা বেলজিয়ন ইন্টরনেসনেল ফাইনেলদা মায়থীহৌরে

লিয়ুভেন, সেপ্টেম্বর ১৮ : ইন্দিয়ন শট্লর সৌরভ ভর্মানা মফম অসিদা চথখিবা বেলজিয়ন ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী ফাইনেলদা ফ্রান্সকী লুকাস কোর্ভীগী মখুৎতা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীহৌখ্রে।

অনসীদেদ সৌরভনা মিনিট ৪৩ চঙনা শান্নখিবা প্লে অদুদা ফ্রেঞ্চকী মঙাশুবা সীদেদ লুকাস কোর্ভীগী মখুৎতা ১৯-২১, ১৯-২১ দা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি। সৌরভনা মেচ হেক হৌখিবগা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকপনা ১১-৪ দা মাঙজিল থানা চৎখ্রবসু রাইভেলগী মখুৎতা অহানবা সেট অদু মায়থীখি।

কোর্ভীনা ইন্দিয়নগী মায়োক্তা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা খুৎ হল্লকখি অমদি মেচ অদু ১৭-১৭ তা লেভেল মান্নরা লৈখি। ফ্রেঞ্চমেননা সেট অদু ২১-১৯ দা মায় পাক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা ১৯-১৯ দা অমুক হন্না লেভেল মান্নরা লৈখি।

অনীশুবা সেটতদি প্লেয়র অনীমক্না গ্রি-গ্রি তত্তুনা শান্নরকখিদুনা ৯-৯ দা চাং মান্নরা লৈখি। কোর্ভীনা মখা তানা ইন্দিয়াগীদমক খুদোংচাবা পীবা তৌদনা নিংথিনা শান্নখিদুনা মেচ লোইবা ফাওবা মাঙজিল থানা অদুমক চৎখি। সেট অদু কোর্ভীনা ২১-১৯ দা থোইদুনা ট্রোফি লৌখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী অঙনবদা শান্নখিবা প্লেদা সৌরভনা জর্মনিগী ক্বালিফাইয়র ফাবিয়ন রোথপু সেমী ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী দো এম আর আর্জুন অমদি রামাচন্দ্রন সলোকনা সেমী ফাইনেলদা মখোয়গী মায়োক্লখিবা লম্বাগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

# মনিশানা ৱর্ল্ড কেদেট রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১৮ : ইন্দিয়াগী মনিশানা জোর্জিয়াগী টবিলিসতা চথখিবা ৱর্ল্ড কেদেট রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকী শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপীগী কে জি ৩৮ কাঙলুপকী ফাইনেলদা বলগেরিয়াগী পেটিয়া জার্কোভা দেলচেভাবু ৫-৪ দা মায়থীবা পীখিদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

মনিশানা ফাইনেল মেচ অদুদা মহাক্কী লৈজবী মতীক মথৌনা পুথোক্তুনা শান্নখিবা অহানবা মিনিটতা ৩-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মিনিট মরি চূপ্পা চথখিবা বাউট অদুদা মনিশাগী ওপোনেন্টনা নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীরকখি। বাউট অদুগী লোইগদবা মিনিটতা মনিশানা ৩-৪ দা কৃক-কৃক ইন্ননা রাইভেলগা লৈনখি। অদুবু মনিশানা হনবা লৈতনা তকখৎলকখিদুনা ওপোনেন্টপু লৈমায়দা নমশিনখিবগা লোয়ননা পোইন্টঅনী লৌখিদুনা বাউট অদু মায় পাকখি।

মনিশানা মায় পাকখিবা অসিনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। মহাক্না ফাইনেল ফাওবা চঙলকপগী লম্বীদা য়ু এস এগী সির্টইন ৱাঙ্করবু ৯-০ দা, অজরবৈজানগী শাহনা নাজারোভাবু (বাই ফোল), রসিয়াগী ভেলেরিলা কিষ্টোবেভাবু ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

মনিশানা চেম্পিয়নশিপ অদুদা পীখিবা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স অদুবু য়েংখিবা মীয়ামগী পুক্লিং শুস্নৎহনখি।

## ন্যু জিলেন্দনা ২-০ দা মাঙজিল থারি

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১৮ : ন্যু জিলেন্দনা মখোয়গী দেভিস কপ এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান টাইগী ওপনিং সিঙ্গলস রবরদা পাকিষ্টানবু নম্মৎখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখ্রে।

ন্যু জিলেন্দগী দেভিস কপ টাইদা ২৫ রক শরুক য়াদুনা রেকোর্দ থল্লিবা ভেটরান জোর্জ ষ্টাথামনা পাকিষ্টানগী মুহম্মদ অবিদপু ৬-০, ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্না মখোয়গী কেম্পেন হৌখি। টুর্ণামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারিবা ফিন টিয়ার্নেনা শিংথানিংঙাই ওইনা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা সামির ইফটিকরবু ৬-২, ৬-০, ৬-০ দা মায়থীবা পীখি।

চথুরিবা দেভিস কপ এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱানগী টাই অসিদা ৱিন্নর ওইবা অদুনা এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱানদা অদুম্মক লেংদনা লৈগনি। অদুগা মায়থীহৌবা অদুনা গ্রুপ টুদা কুমথখিগনি।

চথুরিবা টাই অসিদা পাকিষ্টানগী নম্বর ৱান প্লেয়র আইসাম উল হক কুরেশিনা শরুক য়াখিদে। মহাক্না কুমজা ২০১৩ দা ম্যান্মারদা টিম অনীসিনা শান্নখিবা অদুদা অশাওবা লৈখিবদগী শরুক য়াখিদবনি। পাকিষ্টান্না কুমজা ২০০৫ দগী লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটিগী ওইবা ফীভমদগী দেভিস কপকী মেচশিং য়ুম্বু ওইদনা লাক্লিবনি।

# অমিট কুমার সারোহানা ৪শুবা, ভিরেন্দর ধাঙ্করনা ৮শুবা তাদুনা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমহৌদ্রে



রিও দি জানৈরো, সেপ্টেম্বর ১৮ :

ইন্দিয়াগী ভিরেন্দর ধাঙ্করনা মফম অসিদা চথরিবা রিও পরালিম্পিক গেমসগী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী শোট পুট-এফ ৫৬/৫৭ কী ফাইনেলদা নিপানশুবা মফম তাহৌদুনা মেদল ফংবা ঙমহৌদ্রে।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অমিট কুমার সারোহানা মফম অসিদা চথরিবা রিও পরালিম্পিক গেমসগী ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী এফ-৫১ ক্লব থ্রো কম্পিটিসনদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলমগদবা অদু চি লাউনা নাম্থোকখ্রে।

ভিরেন্দরনা ওলেম্পিক ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা নুপাগী শোট পুট ইভেন্টদা মহাক্কী তরুকশুবা এটেম্পতা মিটর ১১.৬২ শান্না লংখিদুনা নিপানশুবা পোজিসন তাহৌখি। মসি মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্সসু ওইখি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা অসিনা মহাক্কী অহুমশুবা এটেম্প ফাওবদি নিংথিনা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা মিটর ১১.৩৯ শান্না লংদুনা মরিশুবা পোজিসন তাখি। মথংগী এটেম্প অহুমদা মহাক্না তরুকশুবা মফমদা কুমথরকখি অমদি অরোইবদা নিপানশুবা পোজিসনদা লৈখি।

চিনাগী গৌশান ৱুনা মহাক্কী সিজনগী খ্বাইদগী ফবা থ্রোদা মিটর ১৪.৪২ শান্না লংদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। পোলেন্দগী জানুসজ রোবিক্কিনা মিটর ১৪.২৬ লংদুনা সিলভর মেদল অদুগা আইরলেন্দগী জাভিদ ইশানি শাকিবনা মিটর ১৪.১৩ লংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অমিট কুমার সারোহানা ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রিও পরালিম্পিক গেমসগী নুপাগী এফ-৫১ ক্লব থ্রো কম্পিটিসনদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলমগদবদা চি লাউনা লাম্থোকখি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা হরিয়ানাগী পরা এথলেট অসিনা রাউন্দ তরুকশুবা ফাওবা পাঙথোক্কদবা কম্পিটিসন অদুগী অনীশুবা এটেম্পতা মহাক্না মিটর ২৬.৬৩ শান্না লংদুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখ্রবসু অরোইবা রাউন্দদা হেন্না শান্না লংবা ঙমখিদবদগী মরিশুবা পোজিসনদা লৈহৌখিদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলমগদবদগী নাম্থোকখি।

কুমজা ২০১২ গী লন্দন পরালিম্পিক্সতা গোল্ড লৌখিবা সার্বিয়াগী জেলজকো দিমিট্রুভিকনা টোপ স্পোটতা লৈখিদুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দসু থমখি। মহাক্না মিটর ২৯.১১ শান্না লংখিদুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবনি। অদুগা সার্বিয়াগী মিলোস মিটিকনা মিটর ২৬.৮৪ লংদুনা সিলভর অমদি স্লোভাকিয়াগী মারিঅন কুরেঞ্জানা মিটর ২৬.৮২ লংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী ধরম্বিরনা মিটর ২১.৩৯ লংদুনা মাপনশুবা পোজিসন তাখি।

অমিটনা কুমজা ২০১৪ গী ইঞ্চেওনদা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১৪ পরা এসিয়ন গেমসদা গোল্ড মেদল লৌখি অমদি কুমজা ২০১৫ গী আই পি সি ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল লৌখি।

মশাগী চহী ২২ শুবদা রোদ এক্সিদেন্টদা স্পাইনেলদা ফীভম লুনা শোকখিবদগী হ্বিলচেয়রগী মতেং লৌদুনা লাকখি।

ইন্দিয়ানা রিও পরালিম্পিক্সতা মেদল মরি লৌবা ঙমখ্রে। মেদলশিং অদুদি গোল্ড অনী, সিলভর অমা অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমনি। মারিয়াপন থাঙ্গাভেলুনা নুপাগী টি-৪২ হায়জম্প অমদি দেভেন্দ্রা ঝাঝারিয়ানা নুপাগী এফ-৪৬ জেভলিন থ্রোদা গোল্ড মেদল অমমম পুন্না অনী লৌখি।

দিপা মালিকনা নুপীগী এফ-৫৩ শোট পুটতা সিলভর মেদল অমা অমদি ভারুন সিংহ ভাটিনা নুপাগী টি-৪২ হায়জম্পতা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌখি। মসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা পরালিম্পিক্সতা পীখিবা খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্সসু ওইরি।

ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৭২ গী পরালিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল অমা, কুমজা ১৯৮৪ গী পরালিম্পিক্সতা সিলভর অনী অমদি ব্রোঞ্জ অনী, কুমজা ২০০৪ গী পরালিম্পিক্সতনা গোল্ড অমা অমদি ব্রোঞ্জ অমা অমসুং কুমজা ২০১২ গী পরালিম্পিক্সতা সিলভর মেদল অমা লৌখি।

হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা রিও পরালিম্পিক্স য়াওনা পরালিম্পিক্স গেমসদা অপুনবা মেদল ১২ লৌবা ঙমখ্রে। মদুগী মনুংদা গোল্ড মেদলনা মরি, সিলভর মেদলনা মরি অমদি ব্রোঞ্জ মেদলনা মরিনি।

# ফিফা রেঙ্কিংদা অর্জেন্টিনানা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে, বেলজিয়মনা অনীশুবদা অমদি জর্মনিনা অহুমশুবদা লৈখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১৮ :

মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফানা থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিংদা অর্জেন্টিনানা মকোক থোংবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে।

ফিফাগী রেঙ্কিং লিষ্ট অদুদা বেলজিয়মনা অনীশুবা, জর্মনিনা অহুমশুবা, কলম্বিয়ানা মরিশুবা অমদি ব্রাজিলনা মঙাশুবা মফমদা লৈবা ঙমখি। খ্বাইদগী নৌবা লিষ্ট অদুদা ৱেলসনা হন্দক্তা মখোয়গী শান্নখিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িং মেচতা মোল্ডোভাবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা তরাসুবা মফম কুন্দুনা স্পেনদগী মকোক থোংনা লৈখি।

ইংলেন্দসু ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িং মেচতা স্লোভাকিয়াবু ১-০ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদগী হান্নদগী মফম অমা কাখৎলগা ১২শুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে অদুগা স্কোটলেন্দনা মাল্টাবু ৫-১ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদগী য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউনা কান্নবা ফংদুনা মফম তরেৎ কাখৎলগা ৪৪শুবা মফমদা লৈখ্রে। অদুগা চেক রিপব্লিক্না গোল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবদগী নোর্দন আইরলেন্দদি হান্নদগী মফম অনী কুমথরগা রিপব্লিক ওফ আইরলেন্দদগী মফম অমা হাইগৎলগা ৩০শুবা মফমদা লৈখ্রে।

কুমজা ২০১৫ গী জুলাই থাদা অহানবা ওইনা ৱেলসনা ফিফা রেঙ্কিংদা মালেমগী মকোক থোংবা তরাগী মনুং চনবা ঙমখি অমদি চহী অদুমক্কী ওক্টোবর থাদা থোকখিবা রেঙ্কিংদা রেকোর্দ ওইনা নিপানশুবা মফমদা লৈরমখি। ৱেলসনা কুমজা ২০১১ গী ওগষ্ট থা ফাওবদা মালেমগী ১১৭শুবা মফমদা লৈখি। মতুং কুমজা ২০১৬ কী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাই ওইখিবা য়াওনা মালেমগী মমিং লৈরবা টিমশিংগা অকনবা লম্বা তৌদুনা লাক্লিবনি।

ৱেলসনা য়ুরো ২০১৬ তা শরুক য়াদুনা কুমজা ১৯৫৮ গী মতুংদা অহানবা ওইনা মেজর টুর্ণামেন্টদা শরুক য়াবসু ওইখি। ফ্রেঞ্চনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা টুর্ণামেন্ট অদুদা সেমী ফাইনেলদা পোর্টুগালগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা পোর্টুগালনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ২১৯ ফংদুনা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সি) গী লৈবাকশিংগী মনুংদা ২৬শুবা মফমদা লৈখি। অদুগা ইরাননা ৩৭শুবা মফমদা লৈদুনা এসিয়ন লৈবাকশিংগী মকোক থোংবা মফমদা লৈখি। ওষ্ট্রেলিয়া অমদি কোরিয়া রিপব্লিক্না মথংশিংনা ৪৫ অমদি ৪৭শুবা মফমদা লৈখি।

# ইন্দিয়াগী নুপা হোকিগী নেসনেল কেম্প চথবা হৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ :

ইন্দিয়ানা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবগা লোয়ননা নিপানশুবা পোজিসন তাদুনা হল্লকখ্রবা মতুং ইন্দিয়ন সিনিয়র মেন্স হোকি টিমগী য়াম্লবা প্রোবেবল প্লেয়রশিংগী নেসনল কেম্প অমুক হন্না ঙসিদগী চথবা হৌখ্রে।

চয়োল মরি চূপ্পা চথগদৌরিবা কেম্প অসি মথং থাদা মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মরিশুবা মেন্স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী মাঙওইননা পাঙথোকপনি। হায়রিবা মরিশুবা মেন্স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিদা ইন্দিয়ানা টাইটল লৌগনি হায়বগী চাউরবা থাজবা লৈরিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতগী চথবা হৌখ্রবা নেসনেল কেম্প অসিদা প্রোবেবল ২৬ না শরুক য়ারি। কেম্প অসিদা শরুক য়ারিবা প্লেয়রশিং অদুদি স্কীপর পি আর শ্রীজেশ, সর্দার সিংহ, অক্ষদীপ সিংহ, ***চিংলেনসনা সিংহ,*** দানিশ মুজতাবা, সুরেন্দর কুমার, অভিনাভ কুমার পান্দে, অকাশ চিক্তে, রুপিন্দর পাল সিংহ, পর্দীপ মোর, জাসজিৎ সিংহ কুলর, বিরেন্দ্র লাক্রা, সাটবির সিংহ, ধরম্ভীর সিংহ, টালৱিন্দর সিংহ, ললিত কুমার উপাধ্যা, মুহম্মদ অমির খান, অফান য়ৌশুফ, মনপ্রিট সিংহ, ভি আর রঘুনাঠ, এস ভি সুনিল, দেবিন্দর ৱালমিকি, নিক্কিন থিম্মাইয়াহ, এস কে উতাপ্পা, ***কোথাজিৎ সিংহ,*** অমদি রমনদীপ সিংহনি।

কেম্প অসিদা মরু ওইনা শান্নরোয়শিংগী ফিটনেস, স্কিল, টেক্টিসতা হেন্না ইম্ফেসিস পীদুনা চথগনি।

ইন্দিয়াগী হেদ কোচ রোলেন্ট ওল্টমান্সনা হায়খি, ঙসিদগী চথবা হৌখ্রবা কেম্প অসি লাক্লিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি য়াওনা মরু ওইবা মেজর টুর্ণামেন্ট খরগী য়েংলগা পাঙথোকপনি। এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসি মালেসিয়াগী কাওন্টানদা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপশিং অসিদা আর্ক রাইভেল পাকিষ্টান য়াওনা অতোপ্পা টোপ টিমশিংগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। মসিগীদমক ইন্দিয়ানা অকনবা প্রেক্টিস তৌদুনা মখোয়বু মায়থীবা পীবা ঙম্নবা হোৎনগনি।

চীফ কোচ রোলেন্ট ওল্টমান্সনা মখা তানা হায়খি, ঐখোয়না টিমগীদমক মরু ওইনা এরিয়া খরদা অহেনবা প্রেক্টিস তৌদুনা মতীং থোক্ননবা হোৎনগনি। ঐখোয়না খেন্ন-খেন্নবা প্রেক্টিসশিং ফিল্ডদা উৎপা ঙম্নবা হোৎনবগা লোয়ননা ফিল্ড গোল চন্নবা অমদি পেনালটি কোর্নরশিং লৌবা ঙম্নবা মিৎয়েং থমদুনা অকনবা মওংদা হোৎনগনি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা রিও গেমসদা ইন্দিয়ানা পেনালটি কোর্নর চনবগী থৌনা লৈখিদবা অদু মেনখত্তবা য়াদে অমদি পেনালটি কোর্নরদা গোল শুংশোয় শোয়দনা ওন্থোক্নবসু হোৎনগনি।

কেম্প অসি লোইরবা মতুং ঐখোয়না লাক্লিবা নভেম্বর থাদা ওষ্ট্রেলিয়াদা টূর চৎকনি অমদি মফম অদুদা প্রেক্টিস মেচশিং শান্নদুনা টিমবু অহেনবা মতীং হাপকনি হায়বগী থাজবা থমখি।

লাক্লিবা চহী অনী অসিদা ইন্দিয়ানা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা কুমজা ২০১৮ দা লৈবাক অসিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ হোকিবু তরাম্না ওক্কনি। হায়রিবা চাউরবা ইভেন্ট অসিদা ঐখোয়না লাক্কদৌরিবা টিমশিংগী মথক থোংনা শান্নবা ঙম্নবা শেম শাগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।